# কছারগী ভুবন চীংদা শিবরাত্রিগী লাই খুরুম্বা লাকপা ৫ লৈখিদ্রে

শিলচর, মার্চ ৪ (এজেন্সী):

মণিপুরগা লোন্নবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ভুবন চীংদা শিবরাত্রি থৌরমগা মরী লৈননা মার্চ ১ দা মহাদেব খুরুম্বা লাকপা মীওই মঙা ভুবন চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈখিদ্রে।



শিলচর টাউনদগী কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা ভুবন চীংদা চহী খুদিংগী শিবরাত্রি থৌরমগা মরী লৈননা ভুবন মেলা পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি চীংদোন্দা লৈবা পুৰারীগা শাগোন্নরবা মহাদেবগী লাইশঙদা ষ্টেট অসিগী মীওই লিশিং কয়ানা লাই খুরুম্বা চৎনদুনা লাক্লি।

খুনমী অমনা ফোঙদোরকপদা মালেমগী লায়চৎ কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা চহী অনী লেপ্পুরবা মতুং কছার এদমিনিষ্ট্রেসননা লাই খুরুম্বা লাকপশিংবু শোয়দা-ঙামদনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপগা লোয়ননা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট নীংথিনা থমদুনা অমুক হন্না চহীসিদগী ভুবন চীংদা শিবরাত্রিগী থৌরম পাঙথোকপনি অদুবু চৈরকশিদা লায়বক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই লিশিং কয়ানা তোঙান তোঙানবা লম্বী অনী অমরাঘট কৃষ্ণপুর অমদি মাটিনগরদগী ভুবন চীং তম্না লাক্লখি। ওফিসল রিপোর্টকী মতুংইন্না নুমিৎ অনী অসিদা মীওই লাখ মরিরোম্না লাই খুরুম্বা লাকখি অমদি ভুবন চীংগী হাথুবঙ্গা এরিয়াদা লাই খুরুম্বা লাকপশিং নেৎশন্নবা মানবা ভিদিওশিংসু সোসল মেদিয়াদা উবা ফংখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি অনন্দ ঘটোৱার (৩৫), শঞ্জে দাশ (৩৭), বিক্রম পোল (৩১), এন কুরমি (৫২) অমদি এস চক্রবোর্টি (৫৫)নি। মখোয় মঙামক শিলচর অমদি অকোয়বগী মফমশিংদগীনি। মীওই অনীগী অশিবা হকচাং নুমিৎ অদুমক্তদা ফংবা ঙমখি অদুগা অতোপ্পা মীওই অহুম অদুগী হকচাংনা মথংগী নুমিৎ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফংবা ঙমখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা মফম অদুদা খুদক্তা লাই খুরুম্বা লাকপশিং কৃক কৃক ইন্নবগী থৌদোকশিং থোকখি অদুবু নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তি থোকখিদে হায়খি। কছার এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না আপদা মিট্রগী ভোলুন্টিয়রশিং অমদি দি দি এম এগী ওফিসলশিংনা ভুবন চীংগী হাথুবঙ্গা এরিয়াদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৮০,০০০ রোম রেসক্যু তৌখি হায়খি।

কছারগী এদিসনল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সুব্রটা শেননা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদুদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক থোকখিবা লৈতে। চীং লম্বী অদু ঙম্বনা মরম ওইরগা মীয়াম্না পন্দুনা লৈনখিবনি অদুবু মখোয়বু অথুবা মতমগী মনুংদা চীংদগী পুথরকখি হায়খি।

কছার এদমিনিষ্ট্রেসননা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা অশিবা হকচাং মঙামক ভুবন চীংদগী ফংবা ঙল্লে অমদি ভি পোল অমসুং এ ঘটোৱারগী পীরকপা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট মতুংইন্না মখোয় মঙামক নেৎশিন্নরগা শিবা নত্তে, মখোয় ষ্ট্রোকনা মরম ওইরগা শিবনি হায়বসু খঙবা ঙল্লে হায়খি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লাকপা এস দাশ হান্নরা লায়না লৈবা মীওইনি অদুগা টেম্পরেরি হোটেল অমগী মনাক্তগী ফংখিবা এন কুরমিনা ইংবদগী চিংশিন্দুনা লৈখিদবনি অমদি এস চক্রবোর্টিনা লাইশঙ চৎপগী অঙম্বা লম্বীদা নানথুবদগী লৈখিদবনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱারোলনা মখা তারি।

পনবা য়াবদি, কুম্মৈ অসিগী মাঙওইননা কছারগী দিপুটি কম্মিসনর কির্থি জাল্লিনা ভুবন চীংদা চৎতুনা শিল্লি লাংলিবশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিবু য়াওবা লাকপশিং নীংথিনা য়েংশিন্নবা কম্মিটি অমসু শেম্বা লৈখ্রবনি।

চহী খুদিংগী মীওই লাখ ২.৫ না লাইখুরুম্বা লাকপা মফম অসিগী লম্বী-থোং নীংথিনা লৈহন্নবা অসাম লৈঙাক্না শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা হন্দক্তা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মানা মফম অদুগী শেমগৎ-শাগৎনবা লুপা ক্রোর ১০ গী শেনফমসু পীরগনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রবনি।



ওল ইন্দিয়া লেভেল ইন্ট্রান্স এগজামদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং, মমা মপাশিং অমদি বট্টালিয়নগী ট্রেনিং ষ্টাফশিংদা ৪৪ অসাম রাইফলসকী কম্যান্দেন্টনা টমেংলোংদা ওকখিবগী শক্তম

# ষ্টেট লৈঙাক্কী অয়াবা লৌদনা সী বি আইনা ইনক্কারি চথবা য়ারোই: সী এম সংমা

শিল্লোং, মার্চ ৪ (এজেন্সী):

মেঘলায়াদা লোনা য়াদবা মওংদা কোয়লা লৌথোকপগী থবক চথুরিবশিংগী মায়োক্তা সী বি আই ইনক্কারি চথনবা কন্না তকশিল্লক্লিবা চৈরক অসিদা মেঘলায়া লৈঙাক্না সী বি আইদা ইনক্কারি তৌনবগী অয়াবা পীররোই হায়না ফীরেপ লৌখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা লৌরক্লিবা ফীরেপ অসি অনৌবা নত্তে, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু মসি তৌনৈ। লৌরক্লিবা ফীরেপ অসিনা মেঘলায়াসু মিজোরাম, মহারাষ্ট্রা, পঞ্জাব, রাজসথান, ৱেষ্ট বেঙ্গল, জরখন্দ, ছটিশগর অমদি কেরলাগুম্না সেন্ট্রল প্রুব এজেন্সীদা পর্মিসন পীদবা মাপলশুবা ষ্টেট ওইবা ঙল্লে হায়খি।

লৌরক্লিবা ফীরেপ অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা সী বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা য়াররোই হায়খি।

অমরোমদা, মেঘলায়াগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি ওল ইন্দিয়া ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী ষ্টেট লীদর ডা. মুকুল সংমানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী লৌরক্লিবা ফীরেপ অসিনা তুঙদা করি থোকহল্লক্কদগে য়েংশিল্লগনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা, মীয়াম্না তানবা দিমান্দ পুন্নমক লৈঙাক্কী দায়ত ওইগদবনি অমদি করিগুম্বা লৈঙাক্কী ফীরেপ্পু মীয়াম্না য়াদ্রবদি মদুগীদমক ওপসন অমা থমগদবনি হায়খিবগা লোয়ননা সী বি আই অসিসু মীয়ামগী ওপসন অমনি অদুবু লৈঙাক্না পামদ্রবদি স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম নৎত্রগা অতোপ্পা এজেন্সীশিংদা পীগদবনি হায়খি।

এ আই টি সীগী লীদর অদুনা মখা তারদুনা, সী বি আই ইনক্কারি তৌবনা মীয়ামগী ৱাখলদা থাজবা লৈহনগনি অমদি মীয়ামগী অপাম্ববু থবক্তা ওন্থোকপা নৎত্রগনা অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্কারি এজেন্সী অমদা শীন্নবা হায়বসিনা লৈঙাক্কী মথৌনি হায়খি।

# অরুনাচলদা ট্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইটানগর, মার্চ ৪ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রি অমদি দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল অনীগী মতেংগা লোয়ননা অরুনাচল লৈঙাক্না শীন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ট্রাইভেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল থাংজ নুমিৎতা অরুনাচল প্রদেশকী দিরংদা হৌদোক্লগনি।

ফেষ্টিভেল অসিদা পিকচরটাইমগী মোবাইল দিজিটেল মুভি থিএটরদা ট্রাইভেল আর্ট অমদি কলচরদা য়ুমফম ওইবা ফিল্মশিং অমদি দোক্যুমেন্টরিশিং উৎকনি। ফেষ্টিভেলগী মনুংচন্না ইম্পোর্টেন্স ওফ ট্রাইভেল ফিল্ম অমদি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা সুট্টিং তৌবগী অমাং-অতোং হায়বা হিরমশিংদা খন্না নৈনবা অমসু পাঙথোক্কনি অমদি অরুনাচলগী নেসনল এৱার্দ ফংলবা সাউন্দ দিজাইনর দেবাজিট গয়ানগা ৱারী ৱাতায় শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি।

হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা অরুনাচলগী দিরংগী এম এল এ ফুরপা ট্যেরিংনা পিকচরটাইম মোভাইল দিজিটেল মুভি থিএটরসু হাঙদোক্লে লাউথোক্কনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 84/SDC/IW(H) of 2022**

1) Thoudam Sarjubala W/o (Late) Thoudam Noren Singh of Konjeng Leikai.
2) Arambam Ongbi Nolini Devi W/o Arambam Kameshwor Singh of Kwakeithel Haorokchambi (Dagকী মনুংদগী নোংপোক্তা 0.02 acres গী লম)

-Vs-

(Late) Thoudam Noren Singh S/o (Late) Tombi Singh of Konjeng Leikai.

**ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 4th March, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 396 (অরিবা) 438/1332 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1438/1802 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.04 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 14/03/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1675/5

# নাগালেন্দদা হেল্থক্যেরগী ক্রোর ১০০ কায়থোক্লগনি

কোহিমা, মার্চ ৪ (এজেন্সী):

নাগালেন্দ ষ্টেটতা হেল্থক্যের সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লুপা ক্রোর ১০০ হেনবগী শেনফমশিং পীরগনি হায়না অয়ুশ, পোর্ট, সিপ্পিং এন্দ ৱাটর ৱেজকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বানন্দা সোনোৱালনা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা কোহিমাগী রাজা চেদেমাদা ইন্টিগ্রেটেদ অয়ুশ হোস্পিটাল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দদা অয়ুর্ভেদিক কোলেজ অমা অদুগা ফমুং ৩০ লৈবা হোস্পিটাল অমদি ফমুং ১০ লৈবা হোস্পিটাল অহুম শারগনি হায়খি।

ফমুং ৩০ লৈবা হোস্পিটাল অসিনা কিফিরেদা শাগনি অদুগা ফমুং ১০ লৈবা অয়ুশ হোস্পিটাল অসিনা মকোকচুংদা শাগনি অমদি দিমাপুর অমসুং ৱাখাদা নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটি শেমগৎকনি হায়খিবগা লোয়ননা লোংলেংদা ষ্টেট ওফ দি আর্ট অয়ুর্ভেদিক কোলেজ অমা লুপা ক্রোর ৭০ রোম চঙনা শেমগৎকনি হায়খি।

HL-P/1740/3

**SAINIK SCHOOL IMPHAL**

**SAINIK SCHOOLS SOCIETY, MINISTRY OF DEFENCE**

**ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE**

**INITIAL CALL LIST : ALL INDIA SAINIK SCHOOLS ENTRANCE EXAM - 2022**

Initial Call List of All India Sainik Schools Entrance Exam 2022 held in Jan 2022 for admission in Sainik School Imphal is published on the School website. For further details please visit the Sainik School Imphal website http://ssimphal.nic.in

Final Merit List will be published in Mar 2022 (tentative) in the Sainik School Imphal website http://ssimphal.nic.in after completion of Medical Examination of the shortlisted candidates.

SSI/702/ENT
Sainik School Imphal
Dated : 04 March 2022

Sd/- Principal

HL-B/7505/5

WANT TO LEARN INVESTMENT
IN STOCK MARKET

4th Batch
Starting From :-
14th March 2022

Timing:-
7.30 am to 09.30 am

Admission Fee:- Rs.2500/-

Contact / WhatsApp
7005851073

INVEST 2HRS. PER DAY TO LEARN WITHIN 12 DAYS
100% MONEY-BACK GUARANTEE
MINIMUM RISK IN STOCK MARKET
EARN A MINIMUM 15% PER YEARLY
ONLINE CLASS- APPS ZOOM HD
CLASS RECORDING AVAILABLE

MANGAL TRADING ACADEMY
Kakwa Lilando Lampak
Imphal - Manipur

MANGAL TRADING ACADEMY
A FRIEND YOU CAN TRUST

HL-P/1789/28/3-29/4

## CROSSWORD-3464



**ACROSS**

1 Ladybird, for example (6)
4 Sustain (6)
8 Pungent (5)
9 Liberal (anag.) (7)
10 Behind time for arrival (7)
11 Row of shrubs (5)
12 Highly confidential (3,6)
17 Release (3,2)
19 Hungarian red pepper (7)
21 Bubble raised on the skin (7)
22 Bare (5)
23 Sheen (6)
24 Roof beam (6)

**DOWN**

1 One after the other (2,1,3)
2 Excess (7)
3 Gave way (5)
5 Unlawful taker of game or fish (7)
6 Lubricated (5)
7 Intensify (6)
9 Apiarist (9)
13 Conspirator (7)
14 Small ornament (7)
15 Worldwide (6)
16 Prison officer (6)
18 Coin-tossing call (5)
20 Creature that eats bamboo shoots (5)

**Solution 3463**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3863

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | 2 | |
| 1 | | 6 | 7 | | | 5 | | |
| | 2 | | | 8 | 9 | 1 | | |
| | 5 | | | | 1 | | | |
| | | 3 | | | | 9 | | |
| | | | 3 | | | | 6 | |
| | | 1 | 6 | 3 | | | 5 | |
| | | 9 | | | 4 | 6 | | 8 |
| | 3 | | | | | | | 2 |

## Solution-3862

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 9 | 2 | 8 | 3 | 7 | 1 | 5 |
| 2 | 3 | 1 | 7 | 5 | 6 | 9 | 4 | 8 |
| 7 | 8 | 5 | 9 | 1 | 4 | 3 | 2 | 6 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 6 | 1 | 5 | 9 | 4 |
| 5 | 1 | 6 | 4 | 9 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 3 | 9 | 4 | 8 | 2 | 5 | 1 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 3 | 5 | 4 | 2 | 8 | 7 | 1 |
| 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 9 | 6 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 2 | 6 | 7 | 8 | 4 | 3 | 9 |

## EMPLOYMENT NEWS

**NABARD CONSULTANCY SERVICES (NABCONS) INVITES APPLICATION FOR MIDDLE LEVEL CONSULTANT RECRUITMENT 2022**

Middle Level Consultant

Job Location:
- Agartala - West Tripura
Last Date: 10 March 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
NABCONS Vacancy 2022
NABCONS Vacancy 2022 Recruitment 2022 Details
Job Role Middle Level Consultant
Education Requirement B.Sc, M.Sc
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Agartala
Age Limit Age as on 01 February 2022: Minimum 24 years and Maximum 65 years
Experience 1 - 4 years
Salary 41000 - 50000(Per Month)
Posted on 02 Mar, 2022
Last Date To Apply 10 Mar, 2022

Educational Qualification: B.Sc, B.Tech/B.E, M.Sc, M.E/M.Tech

NABARD Consultancy Services (NABCONS) is a wholly owned Company of NABARD and a leading consultancy organization in the field of agriculture and rural development (www.nabcons.com). NABCONS invites ONLY ONLINE applications from Indian Citizens for the post of Middle Level Consultant (01 Post) for handling 'Tribal Development Projects' under Farm Sector Development Department of NABARD in the state of Tripura.

1. Name of the Post: Middle Level Consultant
2. No of Post: 01
3. Place of Posting: Tripura
4. Minimum Educational Qualification: Graduate/post-graduate in Agriculture and allied subjects i.e. Agriculture, Horticulture, Forestry, Agricultural Engineering, Dairy Technology, Veterinary and Animal Science only.
5. Minimum Experience: 1-4 years' experience in Natural resource management/ Financing/ Value chain management/ Agri. Marketing based projects/studies.
6. Other Criterion:
i. Should have experience in field monitoring and evaluation of NRM projects or tribal development projects
ii. Should have database management knowledge
iii. Must be proficient in MS Office, MS Power Point, MS Excel
iv. Should be proficient in the State language
7. Remuneration: Candidates will be paid consolidated monthly remuneration (u/s 192 of the IT Act) based on the experience and educational qualification and overall suitability of the candidate for the posts as under: Rs.41,000 - 50,000/- PM
8. Contract Period: The Contract Staff (Middle Level Consultant) will be appointed on contract basis initially for a period of one year which may be extended subject to annual review of their satisfactory performance of duties and requirement of the project.
9. Termination of contract: The contract service will be of temporary nature and can be terminated by giving notice period of three months.

Pay Scale:
INR
41000 - 50000(Per Month)

Age Limit: Age as on 01 February 2022: Minimum 24 years and Maximum 65 years

Selection Procedure

1. Only Shortlisted candidates will be called for the interview and may also be assessed for their proficiency in MS Office/ data management. Location for the interview will be indicated in the call letter. The candidates may kindly note that any cost incurred by them for attending the interview will not be reimbursed by NABCONS.

2. The interview may be held in person or through virtual mode as may be required.

3. The applicant may submit the declaration in the Google form with respect to the educational qualification and experience. Self-attested copies of educational qualifications and experience certificates to be compulsorily submitted at the time of the interview. Original documents would be required for verification.

How to Apply:

1. Interested candidates may apply online in the prescribed format within 10 days from 01 March 2022 to 10 March 2022 by clicking on the following links and filling the details therein: Middle Level Consultant https://forms.gle/hPGTGaUCLEr1V5EH7

2. In case the above link does not work, you may also copy and paste the link in your web browser and fill the details therein.

Important Dates:

Published on: 02 March 2022
Last date for application is: 10 March 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










